# হীদাক কান্নরবা পাম্বীশিং ঃ তোরোং খোংচাক

— ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার সিংহ —
সি এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইনস্টিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ






**ময়াম্নদি** থৌৰা ইশা শাবীদ্রবা অদুবু মীওইবদদি থোইদোক্লা কান্নবা পীবা পাম্বীশিংগী মনুংদা তোরোং খোংচাক হায়রিবা পাম্বী অসিসু অমনি। তোরোং খোংচাক হায়রিবা পাম্বী অসি ইংলিসতা গোল্ডন দোক (Golden dock), বেঙ্গোলিদা বন-পালঙ (Ban-Palang), হিন্দিদা জঙ্গলী-পালক (Jangli-Palak) সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা *রুমেক্স মেরিটিমস (Rumex maritimus Linn.)* হায়না কৌই অমসুং *পোলিগোনেসী (Polygonaceae)* শাগৈগী মনুং চল্লি।

তোরোং খোংচাক হায়রিবা পাম্বী অসি ফুট ৩-৪ ফাওবা ৱাংবা অথোৎপা অমদি চহী ১ রোমতমক পুন্সিবা য়েলাঙ পাম্বীগী শাগৈদা চনবা অপীকপা পাম্বীনি। পাম্বী অসিগী মখোক অসি নৌরিঙৈদা য়াম্না থোৎলবসু লিশিল্লক্লবা কান্দদি মশিং (ফাইবর) য়াম্না য়াওদুনা য়াম্না কল্লি।

তোরোং খোংচাক পাম্বী অসি য়ুরোপকী অয়াম্বা মফমশিং স্পেন অমসুং কৌকাসসকী মফমশিংদা মপূং ফানা হৌবগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসি অনেম্বা চীংশিং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা চুশিন্ননা হৌবা ঙম্মী। লৌবুক, চোৎ চোৎ লাওবা মফমশিং, পুখ্রি-খোংবানগী মনাক অমসুং ঈশিং তোয়না থুমগৎনবা মফমশিংদা তোয়না হৌবা থেংনবিগনি। সমুদ্রগী খোংবান্দসু পাম্বী অসি হৌবগী পাউদমশিং লৈ। তোরোং খোংচাক পাম্বী অসি অৰাং নোংপোক ভারতকী মফমশিংদা মরাং কায়না হৌই। পাম্বী অসি অয়াকপা অমদি অশিনবা লৈবাক লৈশাদা হৌবা ঙম্মী।

বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুং ইন্না তোরোং খোংচাক পাম্বীগী মরুদা তেনিন অসি চাদা ৫ গী চাংদা য়াওই।

করিগুম্বা কান্দা তোরোং খোংচাক পাম্বীগী অনৌবা মনা অসি এঙ্গাং থোংদুনা চান্নে। পাম্বী অসিগী মরু অসিসু হৱাইগুম্না থোংদুনা চান্নে। মরু অসি কুপ্না তকখায়রগা ঈশিংদা থিৎলগা বেশোন অমগুম্না বোরা অমদি তল হৌদুনা চান্নে।

তোরোং খোংচাক পাম্বী অসি য়ূমদা য়োকপা শা-ষণগী শজিক অমা ওইনসু পীজনৈ। মনা অনৌবা অদু য়েন অমসুং ঙানুগী মচিঞ্জাক ওইনসু পীজবা য়াই। মনা অদু কুপ্না কক্লগা চেঙকুপকা তোৎলগা অদুমক পীজবীগনি। তোরোং খোংচাক মনাগী midrib অদু হোম হোম লাওই অমসুং অঙাংশিংনা য়াম্না পাম্না চানৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না তোরোং খোংচাক্কী মরাদগী শংতক তৌবা মচুগী মচু অমা শেম্নে।

তোরোং খোংচাক পাম্বী অসিদা হীদাক্কী ওইবা মগুনশিং শীংথানিংঙাই ওইনা অদুমক য়াওই। ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদদি তোরোং খোংচাক পাম্বী শুগাইদুনা লৌবা অনঙবা মহী অদু চাং নাইনা তৈদুনা লাইকোয় (রিংৱর্ম) অমসুং মখল মখা খরগী উনশাগী লায়নাশিং লায়েংনৈ। হায়রিবা মহী অসি মৈনা পোকপদা তৈবদসু য়াম্না থুনা ইংথহনবা ঙম্বদা নত্তনা মৈনা চাকখিবা উনশা অদু থুনা মহৌশাগী মওংদা পুরকপা ঙম্মী হায়বগী পাউদমসু লৈ। তিংখংনা য়ুবদসু তোরোং খোংচাক পাম্বী শুগাইদুনা থোম্বদা তিংখং অদু মপান্দা কাপথোকহন্দুনা অমদি থুনা নাই চাহন্দুনা ফহনবা ঙম্মী। মণিপুরদদি তোরোং খোংচাক পাম্বীগী মখোক (ষ্টেম) অদু অচাকপা মৈতালদা লৌরগা পেৎথোকহল্লবা মতুংদা লৈখায়দুনা শুল্লগা লৌবা মহী অদু ইংথহল্লবা মতুংদা অকুঙবা ফী অমনা চুমথোক্লগা লৌবা মহী অদুনা দ্রোপ ওইনা হাপ্তুনা নাকোং লায়খুন তৌবা অদু লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুং ইন্না তোরোং খোংচাক্কী মরু অসি নুপা নুপীগী ফম্বী ফগৎহনবা ঙম্মী। পুক নুংশিৎ কাবা অমদি থজিন পৈখৎপদা তোরোং খোংচাক মনা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু ঈশিংদা নৈখায়রগা পীথকপদা কান্নগনি। খোঙ-খূৎ পোমখৎতুনা ঈশিং পৈখৎপদা তোরোং খোংচাক শুগাইরগা থোম্বদা য়াম্না কান্নে। শীংলি নাওরি থুপ্পদা তোরোং খোংচাক পাম্বী শুগাইরগা থোমদুনা লায়েংবা য়াই। কনাগুম্বা মীওই অমা য়াম্না তোয়না অমাঙবা য়ৈখৎলবদি তেরোং খোংচাক পাম্বীগী অনৌবা মতোল অদু ঈশিংদা শুগাইরগা গ্লাস অনীগী চাংদা খোঙ অদু হামদোকত্রি ফাওবা পীথক্তুনা লায়েংবা য়াই।

# থিঙেন্দা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোঙদা তাইনদুনা, রিক্যুজিট ওজাশিংবু ভিক্তিম ওইহনবা

— থাংজমচা দামু খাবা —

**লাইরৈবাক্কি** শক্ল-শোন্নরম্বা, অৰাৎপা অমত্তা লৈতনা অৰাং নোংপোক ভারতকী চিদাইদা হি-য়াইগুম মঙাল নাইরম্বা, পুকচেল ফজবী ইমা মণিপুর, ঙসি নঙগী নপারি নমোমশিং তিঞ্জং কাইজংবা ঙম্না ওইখ্রে। ঐগী ঐগী ৱাখলদা, ৱাখল লিশাং থাদুনা মঙক লুজাও থেক্তুনা তৌনিংবদা তৌনরি থিংবিনবা লৈতনা।

হে ইমা মণিপুর নঙগী ওইরিবা ফীভমসি অকিবগী মশক ওইরবা তুজুং-মাঞ্জুংলবা অমম্বা নোংলৈ-নুংশিৎনা শিন থুংনা কুপশিনখ্রবা, মায়কৈ-সলাই খঙদ্রবা, সমুদ্রগী কল্লবা ঈথক ইপোমদা লুপকদবগী ঙাইদুনা লৈরবা ঈশিং চঙলবা জহাজ অমগী মশক ওইরে। সমুদ্রগী কল্লবা ঈরাওখোনগী মরকসিদা করিনো হৌজিক তৌগদবা? ফুরুপ কয়ানা খুন্দাবা লৈবাকনি নোংমতা খল্লুবা শংদনা মানা মানা থোকপা, মাগী-মাগী ইন্টরেষ্টতা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপশিংগী ফ্যুচর উদনা লৈবাক ঙাক্লকপনা, ঙসিদি ঈশিংগা থাউগা য়ান্নদুনা চাকপা লমদম অমা হায়বদো ওইরে। লুখ্রবা লৈঙাকলোনগী ৱাহন্থোকপু লান্না হন্নদুনা ঠিকাগী মিৎয়েংদা লৈঙাক্লকপা হায়বসিনা ফত্তবা কন্সিক্বেন্স ময়াম অমা লাকপা হায়বসিদি মশানা তাবনি। মতম কয়াগী মমাঙদগী লৈবাক ঙাক্লোনগী পরম চুমখিদবনা, শোয়থখ্রিবা ময়ামসি হৌজিক খত্তদা করম্না ফুগৎকদৌরি? ঠিকাগী ফোর্মুলাদা ইংগ্রি শিৎলে মণিপুর। ইমা লৈবাক মণিপুর মীতোপ মীয়ানচা মীহোংঙে, পীকশিল্লে-পীকশিল্লে চাগ্রিক নাগ্রিক ইন্নরে, মোংফম শাফম লৈত্রে, চাকতাংঙে, ঙাতাংঙে সিবু থোইনা হরাউবা লৈবরা লৈবরা। লায়েংবদা ৱারগদবা লুরা-লুরবা লায়না মখল ময়াম অমনা য়োমশিন্দুনা মতম কুইনা নাদুনা লাক্লবা মনম চেনবা হৌরবা মণিপুর, মাইবনা খূৎ থারবা অনাবা অমা ওইগদৌরে।

অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা ইয়োন ওন্নবা মানবা মওংদা লৈঙাকসিনা খূৎ থারিবা, অহানবা ওইনা লৌখৎতুনা হায়বা তারগদি, লৈবাক্কী ওইবা ইশুশিংদা মায় ওনশিন্দুনা সোলুসন পুরক্লবা হোৎনবগী মহুৎতা, রিক্যুজিট ওজাশিংদা ওনশিন্দুনা চিকপা, ওজাশিংবু খম থেংনা ৱাহনবা হায়বসি লুচিংবা মপী-মপা অমা ওইবগী মতৌ নত্তে হায়না ওজাশিংনা তেংথারিবা, লমদমসিদা তাবিনবা লৈতবগুম তৌরি। রিক্যুজিৎ প্রাইমারি ওজাশিংবু মরম ইচা চাদবদা মরাল লৈরবা অমগুম লৌদুনা, তোলোপ হেন্না লৌরম্মী হায়বগী মরান্দা, কেবিনেটতা পুথোক্তুনা মথোং হুক্তবা ওর্দর অমা থোকচিন্দুনা, অমুক্তং থোকপা চহীগী ওইবা নিংঙোল চাক্লৌবগী তোলোপ ফাওবা পীবিখিদবদা নত্তনা হৌজিক ফাওবদা মখা তাবা করি করম তৌগদৌরিবনো হায়বা খঙহন্দনা রিগুলর জেন্যুইন ওজাশিংবু লাক্লদুনা থম্বা অসিমক্তি য়াম্না তৌহৈদবা ধর্ম্ম য়াওদবা হ্যুমেনিতিগী ৱাখল চেন্দবা, মীনুংশি লৈতবা লৈঙাক অসিগী মথোং হুক্তবা থবক থৌদৌনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। রিক্যুজিট ওজাশিং অসিগী মরাল করিনো? লাল্লিবসি কনানো? এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্ট অসি লৈঙাক্কী নত্তবরা? দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন দিপার্টমেন্টকী ওর্দরনা পীবা ক্বালিফিকেসন স্কেলনা ওজাশিংবু ভিক্তিম ওইহনবা অচুম্বা থৌওং নত্তে। ওজাশিংনা লৈঙাক্কী শেনগাওদগী লোন্না লৌবা নত্তে হায়বা মরী লৈনবশিংনা খঙনা খঙনা ওজাশিংদা মরাল থংজিল্লিবা অসিদি থিঙেন্দা তাইনবা ঙমদ্রগা নাসিখোঙদা তায়নবা, ঙম্মী হায়বগী মতাদা তৌবনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। ৱাথোক্লা থল্লবা লমদমসিদা অনৌবা ৱাথোক লাক্লবা হোৎনবা লৈঙাকসিগী জুৎ চাদবা থৌশিল ওইগনি।

ঙসিদি ওজাশিংগী ৱাফম অসুম তাবীরক্তবদগী অমেষ্টাগী এক্টিভিসশিংনা অকনবা মওংদা শো লোনবা য়াওনা মখল-মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসিগী অফ-ফত্তগী থৌদাং লৈঙাকসিগী ওইফম থোকই। ৱাফমসিদগী খরা অমুক থৈদোক্লগা মীয়াম্না হায়নবা ৱাফম খরা লৌখৎতুনা য়েংবা য়াই। রিক্যুজিট ওজাশিংগীদমক এমেষ্টানা মতম কয়াগী মমাঙদগী হোৎনরিবনি হায়দুনা অমদি ঙসি ফাওবা হোৎনদুনা লাক্লি হায়বগী ৱাফম লৈরি। অদুবু হোৎনরক্লিবশিং অদুগী কান্নবা মহয়দি ফংদনা খুদোংথিবদুম নংলি। মসিগী মরম ময়াম অমা লৈরম্বদি য়াই অদুবু লাক্লিবা ৱাফমদি চহী অসুক শাংনা ঙাঙনা শান্নরক্লিবা ৱাফম অমা অন্দর্ষ্টেন্দ তৌনবা ঙমদবা হায়বসিনি। য়াগদবা য়ারোইদবা অনীগী মতাংদা কুপথনা নৈনবা ৱাৎখিবনা, লম্বী ওন্ননা চৎলুবগী মায়থীবা নংলিবরা হায়বসিসু কুপ্না য়েংশিনবগী মথৌ তারি। ওজাশিং তোলোপ পীবিদবগী অৰাবা মায়োক্নরিঙৈ মথক্তা ব্লোকেদ অমদি লুপা ৫০০ চৎপী, ১০০০ চৎপী চৎনহনখিদবগী অৰাবনা পোৎলুম অমুক হাপচিন্দুনা কোক্তা খূৎ হাপ্পরিবসি মরী লৈনবশিংনা উবীফম থোকই।

সোমদা অমুক ইকনমিক ব্লোকেদনা মীচম মীয়ামগী কোকথক্তা মৈচ্রেং হৈথদুনা হা-কা লাউনা খাঙনরিবসি কোক্লনবা চপ চাবা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা পৱার শক্তিগী ৱাখলদা লুপ্নদুনা পোলিটিকেল কনভেন্সন পাঙথোক্তুনা অমগা অমগা হুন্নদুনা ভোটর ফানবা লাঙ থান্নদুনা লৈরে। লমদমসিগী অপঙবা ভোটরশিং করম্না মমিৎ থকহনগনি, করম্না হাইগৎলাংদা থুহনগনি হায়বসিনা মখোয়গী অচিনবা মরুওইবা থবক ওইখ্রে। লুপা ৫০০ চৎপী অমদি ১০০০ চৎপী করম্না কনগনি, কনা কনাগী একাউন্টদা দিপোজিৎ তৌগনি, জেরো বেলেন্সকী একাউন্টশিংদা লিশীং কয়াদি কনবা য়াই হায়বগী হিসাবতা পাকথদুনা হুমাং কানা অঙ্ক হোৎনরিঙৈ মীয়ামগী অৰাবা উবিদ্রে হায়না মফম কয়াদা থম্মোয় শোক্লা ঙাঙনরিবসি, ঙসিগী লৈঙাক অসিনা য়াম্না সেরিয়স ওইনা লৌফম থোকই।

কুমজা ২০১৭ কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লি মীখলগী কোদ ওফ কন্দক্ট লাক্লমদাইগী শ্বর চনিং তানা হোন্নদ্রবা মতমসিদা, লমদমসিগী থবক থিরিবা-থিরিবী নহারোল কয়াবু মীনুংশি চাওবা লৈঙাকসিনা খঙনুং নুংশিবীরকপা পূম্নমক্লা ঙমখৈ লৈতনা লৈঙাকসিবু থাগৎপীফম থোকই। অসুক হরাউনিংঙাই ওইরবা মতমসিদা হাথু-হাথু তৌরকপনা মরম ওইরগা শঙ্গ-পঙ্গা, শেল-থুম, হো-হাগী মগুণ লৈহৌদবা কেন্দিদেটশিংদা খুদোংচাদবা ময়াম অমদি মায়োক্নরি। মরমদি তেল্লবা মতমসিদা মান-চাং কায়দুনা করম্না মখূৎ মখূৎতা অচৌবা শেনফম চবুলদু পায়বা নংগদৌরিবনো? অমদি অরিবা লুপা ৫০০ চৎপী অমদি ১০০০ চৎপীশিংদু বেঙ্কতা ওনবগী মতম নৎত্রগা অনৌবা অপীকপা এমাউন্টকী ত্রান্সেক্সন্দা অথুবদা অচৌবা শেনফম অমা খূৎতা পায়বা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈতবনা, অৰাবা নীংবা কায়বা হায়বসি হৈ লৈরগা থাঙ লৈতবা, থাঙ লৈরগা হৈ লৈতবা হায়বদু ওইগদৌরি।

ঙসিগী পোলিটিকেলগী ফিল্ডদা খঙ হৈরবনি হায়দুনা পোঙথোক-চাউথোক্লা পোলিটিক্সকী কাঙলোন শান্নরিবশিংনা লৈবাকসিদা তৌরিবশিং অমদি মীয়াম ফানবা ভোটকী মীটিংদা ঙাঙলি-শক্লিবশিং তারু-উরুরগদি থোয়দোক্লা আশা তৌনিংঙাই লৈতনা, শাথিনা নীংবা কায়নীংঙাই ওইরি। অসিগুম্বা থাক্তা পোলিটিক্স তৌরিবশিংনা মীয়াম্বু করম্না লমজিংগদৌরিবনো? লমদমসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মমায়সি খুতুম খুতুমমুক থানরে হায়না মীয়াম্না ঙাঙনরিবসি চুমগনি। লমদমসিদা পোলিটিক্স তৌবা কনানা কৎথোকপগা লোয়ননা লৈবাকসিগীদমক মোরেল রেসপোন্সিবিলিটি লৌবা ঙম্বা য়াওখ্রবগে? গুম্ভীরনা য়োৎলমদাইদা মমিৎতগী মপী তাবগুম, ৱাশকপদা হালেংদ্রবা পোলিটিকেল পার্টিশিংবু মীয়াম্না তুকৎচনরকপা হায়বসিমক খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরক্কদৌরে হায়বগী সিগনেল পীরবনি হায়না লৌবদা করি লানবা লৈগদগে? মণিপুরসিদা হৌজিক তৌনরিবা পোলিটিক্সকী মচৎ অসিদা য়েংলুরগদি করিগুম্বদা ইচা-ইশু অমবু চীফ মিনিষ্টর ওইনা নোমিনেট তৌগে, পোলিটিক্স য়াওহনবীয়ু হায়ররে খল্লবদা, মদু ফাওবা হেক অয়াবা পীনিংদে হায়বদু য়ৌই। রামায়নগী ‘রাম রাইজ্যা’ লৈঙাক্লা তুংগী মীরোলদা পীরম্বা মেসেজ অসি, ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংদগা পল্লু লাক্লুরদি বালমিকী মুনিনা ইরম্বদুবু মৱা লৌদে, অদুগুম্বা ৱা পল্লক্কনু য়েমৌনৈ, তূম্বা য়ারোই, খংপ্রেক-খংবা ৱা হায়রক্কনু ঙাওবরা, শাউরপ্না হায়রক্কদবা মাল্লি।


## মরোল থোকপা লাই




## জাতক্কী শৈরোল

মৈতৈলোন্দা ইথোকপা

: বি জয়ন্তকুমার শর্ম্মা



### নিংথৌ মিংশেন-মায়গী ৱায়েল

জনসন্ধু নিংথৌগী মচা নুপা ওইদুনা,
পোকখি বোধিসত্বনা মিংশেন-মায়বু কৌদুনা।
মিংশেনগুম্না ঈরং-লং মঙ্গল ওইবা মায়থোংনি;
সনা-মচু মাল্লবা ফজরবা শক্তমনি।
মপা নৌনা কায়নর’ ওইবা তাখি নিংথৌবু;
অঙম্বশিং চঙদুনা চাংবু য়েংখি মহাকপু।
য়োং অমা অহুল্লক তাইবঙ মীগুম শেৎপির,
ৱায়েল শঙদা পুথোকখি জ্ঞানবু লৈবা শাহল্ল’।
“নপা-নিংথৌ হাক্তক্কী ফম্নাইবনি লৌশিংবা,
ফম্বু অমা হাপ্পীয়ু মাগী মতিক চারবা।”
ৱাফম অসি তাবদা মিংশেন-মায়বু কৌবনা,
‘শানি’ হায়বা উত্তুনা খুমখি পাউখুম চপ-চানা।
মতীক চারে খন্দুনা মাবু নিংথৌ হাপখরে;
হরাউ তয়াম্মক্তনা লৈবাক-শরা শনখরে।
নোংমা অহল ওইরবা গমমিচাঁদ কৌরবা,
নুপা অমা লাক্লম্মী ৱায়েল-লাংদাইবীনবা।
মাগী অহান’ ৱাথোক্লা, শল অনী ৱায়ব’ইনিং
মপু-তাক্ত-থিল্লুবা শঙ্গোন্দগী মাঙব’ইনি।
অনীশুবা-ৱাথোক্লা, গর্ভাবতী অমগী,
শীওম্নুংগী অঙাংবু মানা থুগাই হায়বগী।
অহুমশুবা ৱাথোক্লা, শল অমা থৎপদা,
নূংনা থারুবদগী থোকপনি মখোঙ তেকপদা।
মরিশুবা ৱাথোক্লা, শিজরগে হায়দুনা,
চোংথবদা চীংচেপ্তু’ই হনুবদা তাদুনা,
হনুবদো খুদক্তা শিখিবগী ৱাফমনি;
লাইবকথীবা পুকশেংবা অৰাববু তাবনি।
মী মরিনা ফাদুনা গমনিনা লাকপদা,
পাউখুম তরা চেনখিদো খুঞ্জাশিংনা মঙোন্দা।
পাউখুমশিংদো নিংথৌদ’ই পুবিরকউ হায়বনি;
লাইবু থোইবা মহাক্লি ঙমগনিবু খনবনি।
অহানবগী বিচারদা, “ৱায়রুবা শল হল্লকপা,
মমিৎমক্লা উহৌনা উদে হায়বা ঙল্লিবা,
শনবু মমিৎ কোথোকউ, শনগী শেলনা হনবিখো।
অনীশুবা ৱাথোক্তা, “নুপা, ঙাইখো তপথখো;
নঙগী নুপী’ই গর্ভপাত গমনিনা নত্তেদো;
নঙনা য়েৎলি মরৈবু ‘অঙাং নুপা পাম্মীদো।’
ফরে’দুদি নুপীদো গমনিদা পীখরো;
মচা অমা পোক্লগা নঙ অমুক লৌশিল্লো।”
শগোল মখোঙ তেকপগী বিচারদা নিংথৌনা,
‘থৎপীরকউ’ হায়রুবা হায়দে হায়না চেন্দুনা,
ওইদ ঙাঙবা মপুসে মরৈ থৎলু” হায়খরে।
মরিশুবা ৱায়েলদা নিংথৌনবু তাকখরে,
“লাক্লরোইদৌ” নপাবু ‘পীয়ু’ হায়না তক্লবা,
নমাদুবু পীরগা য়োক্লো গমনি হনুবা।
ৱাথোক-ৱায়েল খূদিংদা মায়থীখরে বন্দিশিং;
ঙাকপীরোবু হায়বদা ফংখি গমনি পোৎচৈশিং।
মথং মথং ৱাহং তরাই পাউখুমবুদি পীবদা,
হায়খি নিংথৌ মিংশেন মায় গমনিচাঁদ অহন্দা,
“পাড়া কাউবা ব্রাহ্মন্না য়েঙ্খোং মতম শোয়ব’ইনি;
থুল্লক্ত্রিবা উহৈনা মুনি’ লাইনীং ৱাৎপ’ইনি;
নাগা মশেল খৎনবনা পাৎকী ঈশিং নৈবনি;
উনা উরুম লাংদবনা পূজা কৎলদবনি।
ককচেং মখুল মপাদা শৈশক্লিবা লমখুনু,
লৈরে-লনবু তৌথোকউ, নঙগী ওইয়ু কিরুনু।
শজি’ শজীক চারিবা উখোঙদুগী উথক্তা,
মকোল শারে হয়িংখোই ফংনি খোইহী মথক্তা।
মখুন্দগী লিন্দুনা থোরকপদা চিল্লগা,
চঙখিবদা কোল্লিবা, য়েংলবদি তৌরগা,
লন ফংনি মখুন্দা মানা পাম্না শঙজবা।
মদু হুন্দোক্লম্ব’ইনি থোক্লকপদা চিল্লিবা’
শুক্মৎলাংনা কৌবনা চঙখিবদা কোম্বনি।
মৱানাক্তা লৈনংদবী মরুম্বীবু লৈবীনি,
বেশ্যা কারবার তোংলরোই নুপা মশীং য়াম্লবা।
ৱায়েল শেঞ্জবদ’ইনি খুঞ্জাহলনা নংলিবা।
পাউখুমশিংসি গমনি তমখি মরোয়-মনাউদা
বোধিসত্ব নিংথৌবু কিখি মগুণ তাবদা।